ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 155 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৩-২৪ | ইম্ফল, হিয়াঙ্গেগী ২৮ নি পানবা, নিংথৌকাবা নবেম্বর ১৭, ২০২৫ ইং | মমল লুপা ২।-

## নেস্নেল সেমিনার

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লাংজিং অচৌবদা লৈবা পলেম পন্থৌ কলচরেল ট্রষ্টনা শীন্দুনা ট্রষ্ট অসিগী ঔরাইশঙদা নুমিৎ নিনি চুপ্পা চথগদবা নেস্নেল সেমিনার অমা হৌদোকখ্রে। দি এস্থেটিক্স ওফ প্রোটেষ্টঃ আর্টিষ্টিক এন্দ লিটরেরি রেস্পোন্স টু সোসিয়েল জষ্টিস হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা নেস্নেল সেমিনার হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট সোসিয়েল ৱেলফেয়ার্স বোর্দকী চেয়রপার্সন ওইরম্বা ডা. আরকে নয়নস্না দেবীনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

## চেক পোষ্ট থুগাইখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** খুদক্কী ওইবা অরুবা অনাবা অমা পল্লেলদা লায়কন্ননবা থা অসিগী ১৫গী অহিংদা খুঞ্জাশিংনা পুখৎলকপদা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সাইবোলদা লৈবা ৩শুবা এআরগী পোষ্ট অমদা সন্ত্রি তৌরিবা পার্সনেলশিংদা চৎকে হায়বা য়াদবদগী অনাবা অদু লৈখিদ্রে। মদুনা মরম ওইরগা ঙরাং মরিংগী নুপী ময়াম অমা থোরক্কুনা সন্ত্রি পোষ্ট অদুগী শরুক কয়ামরুম থুগায়দুনা মাঙ-তাকহনখি। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং সোমিন্থাং (১৯) কৌই। মহাক সোমথাল গী সাইরেম শাশিন খুলদগীনি হায়রি।

## নিংঙোল ক্লব

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ইনখৎলক্লিবী লৈশাবীশিংতগী ওইবা ক্লব 'নিংঙোল ক্লব'কী কুমজা ২০২৮ ফাওবগী থৌ পুগদবশিং খনবগা লোয়ননা থৌপুবশিং অদু ৱাশক লৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ফোক্সকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি শিন্থাঙম্বা লাইশ্রম য়াওনা পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু হৈরোক পার্ট-ৱানদা লৈবা ইকোপ নিংথৌগী লাইবুংদা পাঙথোকখি। লৈশাবীশিং অদু ওর্গনাইজেসনগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎকনি হায়বগী ৱাশক ফোক্সকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি অসিনা ৱাশক লৌখি হায়রি।

## এৱার্দ পীরক্লে

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** রেন ফোরেষ্ট ক্লব, তমেংলোংগী ফাউন্দর চন্থো গোলমৈদা গার্জিয়ান্স ওফ হিমালায়স এৱার্দ-২০২৫ পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে। দেরহদুনগী দুন ইন্টরনেস্নেল স্কুলদা পাঙথোকপা দেরহদুন লিটরেচর ফেষ্টিভেলদা এৱার্দ অসি পীখিবনি। চন্থো গোলমৈনা ইনভাইরোনমেন্টগী ফিভম ফনা থম্নবগী মতাংদা লৌখিবা থৌদাংশিং শকখঙবীবা ওইনা এৱার্দ অসি পীদুনা ইকাই খুম্নখিবনি হায়রি।

### হয়েংগী নোংদম

১৮। ১১। ২০২৫

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

- **মেষ** –ওইজ ওইথক ফংবা, ইমুং মনুং ইংনা লৈবা অনৌবা থবক পায়বা য়াবা মতমনি।
- **বৃষ** – পাঙ্গল ময়ং তাবা, শেল লান্না চৎনবা মফম য়াম্না লৈ। চেকশিঞ্জবা ফৈ।
- **মিথুন**–পন্দুনা লৈরম্বা থবকশিং লোইশিনবা ঙমগনি। শেল, লন-থুম চঙবা হৌরগনি।
- **কর্কট** – হকচাংদা অনা অয়েক পীগদৌরি, মহৈরোইশিংগীদি অফবা মতমনি।
- **সিংহ**– মুক্নরম্বশিং লৈখায় তারগনি। শেম্থোক হেঙ্গৎলগনি, অরু-অহেন ফংজবা ঙম্লগনি।
- **কন্যা** –পুক্নিং নুংশিবা, পেন্দবা লোইনগনি, ইমুং মনুং চক্রি থাংনগনি। চেকশিঞ্জবা ফৈ।
- **তুলা**– পাঙ্গল থৌনা হেঙ্গৎকনি। লল্লোন-ইতিক্তা কান্নজগনি। হকশেলদা চেকশিল্লু।
- **বৃশ্চিক**–ৱাখল নুংঙাইবা, শিনফমদা কান্নজবা পীরি, তুংগী ফিভম শেমজবা ঙমগনি।
- **ধনু**– অনৌবা থবক হৌবা য়ারে। পাখঙ-লৈশাশিংগী ওইনদি পুক্নিং খঙনবা,থাজনবা লৈ।
- **মকর**– মিংচৎ ফংবা তৌরুবা থবক্তা মায় পাকপা পীরি। ইমুং মনুং পুকচেল তিন্নগনি।
- **কুম্ভ** – ৱাখল লৌশিং থোকপা, থবক তৌবদা মায় পাকপা পীরি। ঈশিং য়াফম মরী নুংঙাইরোই।
- **মীন** – অনিংবা থবক পাঙথোকপা ঙমদবা, তৌরুবা থবক মায় পাক্তবা পীরি। চেকশিল্লু।

### কুকি-জো এম এল এশিং, সি এস ওশিংগী গুৱাহাতি মীফম

# 'সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন লৈত্রিবমখে লৈঙাক শেম্লকপদা কুকি-জো এম এল এ য়াওরোই'




**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ** প্রসিদেন্ট রুল লৌথোক্লগা পোপুলর গভর্নমেন্ট শেম্বদা কুকি-জো এম এল এশিং শরুক য়ানবা ৱারেপ লৌরে হায়না পাউচেশিংদা ফোঙলকপা ৱাফম অমবু য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অমদি কুকি নেস্নেল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও)না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনবদা য়াওরিবা কুকি লালহৌবশিংগী অপুনবা বোদি ওইরিবা লূপ অনিনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অনৌবা লৈঙাক শেম্বদা কুকি-জো এম এল এশিং শরুক য়াগনি হায়না ৱারেপ লৌখিবা লৈতে। নবেম্বর ১৫দা কুকি-জো কাউন্সিল (কে জেদ সি)না শীন্দুনা জেনরেল কনফরেন্স অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা কুকি-জো এম এল এশিংনা পোপুলর গভর্নমেন্টতা য়াওনবগী ৱারেপ লৌখিদে। লেজিসলেচর লৈবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা দিমান্দ তৌনবগী মতাংদা মপুং ওইনা খন্নখিবনি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী কুকি-জো ফুরুপনা তান্দুনা লাক্লিবা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী মতাংদা লৈখায় তাদ্রিবমখৈদি ফুরুপ অসিগী এম এল এশিংনা পোপুলর গভর্নমেন্ট শেম্বদা শরুক য়াবগী ৱাফম লৈরোই। মতুং তারকপদসু কে জেদ সিনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি ফংদ্রিবফাওবা কুকি-জো এম এল এশিং লৈঙাক শেম্বদা য়াওনবগী ফিরেপ লৌরোই।

পাউচে খরদা কুকি-জো এম এল এশিং পোপুলর গভর্নমেন্ট শেম্বদা শরুক য়ারগনি হায়না ফোঙনরকখিবদু শেমজিন-শাজিনবা অমসুং য়ুম্ফম য়াওদবনি। কুকি-জো ফুরুপনা লৌরিবা ফিরেপ্পু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা কুকি-জো এম এল এশিং অমসুং ফুরুপ অসিগী লুচিংবশিংনা তাল্লিবা পোলিটিকেল দিমান্দ অসিদগী খোঙফম অমত্তা হন্দোকপা লৈতে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, সাইতু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ হাওখোলেট কিপজেন অমসুং সিংহাট এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ চিনলুন্থাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুকি-জো এম এল এশিং পোপুলর গভর্নমেন্ট শেম্বদা য়াওরগনি হায়না পাউচে খরদা ফোঙনরকখিবা রিপোর্ট অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি। গুৱাহাতিদা কে জেদ সিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা পোপুলর গভর্নমেন্ট শেম্নবগী ৱাফম খন্নখি। অদুবু কুকি-জো এমএলএ মীফম অদুদা শরুক য়াখিদে। মপুং ওইনা খন্নখিবদি সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতাংদনি হায়রি।

# বাংলাদেশকী হান্নগী পি এম সৈখ হসিনা শিবগী চৈরাক পীননবা কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রে

### ঈরাং হৌরকপশিং হেক উবগা নোংমৈ কাপ্লবা ইন্টরিম গভর্নমেন্টনা য়াথং পীখ্রে



**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ** ইন্টরনেস্নেল ক্রাইম ত্রাইব্যুনেলনা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা সৈখ হসিনা, হান্নগী হোম মিনিষ্টর অসাদ উজমান খান কমল অমদি হান্নগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস চৌধুরি অব্দুল্লাহ-অল-মমুন মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রে। ত্রাইব্যুনেলনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনাবু শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল পীখি।

কোর্টনা অহানবদা সৈখ হসিনাবু পুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা থম্নবা ৱায়েল পীখি। অদুবু মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা মহাক্না চথখিবা ক্রাইম অদু য়েংলগা অকোনবদা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখিবনি। তোঙান তোঙানবা হিরম ৩দা হসিনাবু মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা খঙবা ঙমখি। মরু ওইনা মীয়ামবু ঈরাং হৌননবা থৌইনশিন পীবা, মী হাৎনবা য়াথং পীখিবা অমসুং মীওৎ-মীনৈ চথবদা মতম চানা থিংনবা থৌরাং লৌখৎখিদবগী মতাংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অদু মরাল লৈরে হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে হায়না ইন্টরনেস্নেল ক্রাইম ত্রাইব্যুনেলগী জজ গোলাম মোরতুজা মজুমদারনা ফোঙদোকখি।

কোর্টনা ৱায়েল লাউথোক্লিঙৈগী চৈরক্তা সৈখ হসিনানা লুচিংবা অৱামি লিগ পার্টিগী থৌমীশিংনা মফম কয়াদা প্রোটেষ্ট তৌরকখি। হৌজিক হৌজিক বাংলাদেশতা পার্টি অসি পোলিটিকেলগী ওইবা থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রবসু পার্টিগী থৌমীশিংনা মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিল্লকখি। মীয়ামগী খোঙজং অদু চঙশিল্লকপদগী কেপিটেল সিতি ডাকাদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা হোৎনখি।

মমাঙ চয়োলদা হসিনাগী পার্টিনা ডাকাগী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন লাউথোকখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিগী সপ্পোর্টর পুম্নমক লম্বীদা থোরক্লগা মহমদ য়ুনুসনা লুচিংবা ইন্টরিম গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱাফম লাউথোকখিবনি। কোর্টনা অরোইবা ৱায়েল লাউথোকখিবা মতমদা একুজ ৩গী মনুংদা হান্নগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস চৌধুরি অব্দুল্লাহ অল- মমুন মথন্তমক কোর্টতা লাকখি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনা অমসুং কো-একুজ ওইরিবা হোম মিনিষ্টর অসাদ উজমান খান কমলদি অতোপ্পা লৈবাক্তা চেন্দুনা লোৎখিবা মরমনা কোর্টনা লাকখিদে। খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামবু লাকশিন্নবা লৈঙাক্না সুট এট সাইট য়াথং পীদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকখি।

### মপাল্লমগী পাউ

# নিটিশ কুমার নবেম্বর ২০দা বিহারগী চিফমিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি

**পটনা, নবেম্বর ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ** বিহারগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা এন দি এনা শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা মায় পাকখ্রবা তুংদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্ননবগীদমক নিটিশ কুমার ফম থাদোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা মহাকপু জে দি(য়ু)গী লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা অমুকসু খনখ্রে। হয়েং এন দি এগী মীফম অমা পাঙথোক্কুনা মহাকপু এল্লাইয়েন্স অসিগী লুচিংবা ওইনা খল্লগনি। মফম অদুদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না, নিটিশ কুমার ১০রকশুবা ওইনা থা অসিগী ২০ দা বিহারগী চিফ মিনিষ্টরগী ৱাশক লৌরগনি। এন দি এগী মীফম লোইরবা তুংদা নিটিশ কুমারনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্ননবগী হৌনবী মতুং ইন্না রাজ ভবনদা চৎতুনা ক্লেইম তৌগনি। ক্লেইম তৌবা অদুদা মহাকপু শৌগৎপা এম এল এশিংগী লিষ্ট অমা পীশিনগদৌরি। মহাক্কী অনৌবা লৈঙাক অসিদা বি জে পিগী কনা কনা মিনিষ্টর ওইনা য়াওহনগদগে হায়বদু পার্টি অসিনা অইবা ওইনা পীরক্কনি হায়রি।

# প্রসিদেন্ট রুল থম্বদগী মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফাগৎলক্লে ঃ আর্মি চিফ উপেন্দ্র দ্বিবেদি




**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** প্রসিদেন্ট রুল থম্বদগী মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফগৎলক্লে হায়না চিফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা ফোঙদোকখ্রে।

দিল্লিদা পাঙথোকপা চনাক্যা দিফেন্স দাইলোগতা ৱা ঙাংবদা মহাক্না হায়খি, প্রসিদেন্ট রুল থম্বদগী মণিপুরদা অহোংবা কয়া লাক্লে। মীয়ামনা লৈঙাক্তা থাজবা থল্লকপগা লোয়ননা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা থাজনবগী চাং হেঙ্গৎলক্লে। হিরম খুদিংমক্তা ফিভম ফগৎলক্লে হায়না লৌবা য়াই।

দুরান্দ কপ পাঙথোকখিবদা ঐহাকসু শরুক য়াখি। মশিং য়াম্লবা মীয়ামনা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম অদু য়েংবা লাক্লখি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লাক্লমখিবা অদুনসু মণিপুরদা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমখিবনি। মতৌ অসুম্না ফিভম ফগৎলক্লবদি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টসু অথুবা মতমদা শোয়দনা মণিপুরদা চৎকনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কাঙলুপ মশেল হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোকপগী চাং হন্থরক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, সেপ্টেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা চৎপা মতমদা ইন্টনেলি দিসপ্লেস পার্সন (আই দি পি)শিংনা লৈনবা অনৌবা য়ুম লিশিং ৭ শাবগী ৱাফম লাউথোক্লমখি। মতৌ অসুম্না হাৎন-শুনবগী থৌদোক লেপখিবগা লোয়ননা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম মখা তানা ফগৎলকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ ফোঙদোকখি।

# কুকিনা হোমলেন্দ ক্লেইম তৌবগী মতাংদা কোকোমিনা পিএমদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কে এন ও অমসুং য়ু পি এফনা মণিপুরদা কুকিশিংগী এন্সেষ্ট্রেল লেন্দ রাইট তানবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না প্রাইম মিনিষ্টরদা নরেন্দ্র মোদিনা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

কোকোমিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা খুৎয়েক পীরগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী এদভাইজর (নোর্থ ইষ্ট) একে মিশ্রাদসু কোপি অমা য়ৌহনখিবা মেমোরেন্দম অদুগী মতুং ইন্না মণিপুরগী চীংগী লমশিং নিংথৌগী মখাদা লৈরমদে হায়না য়ু পি এফ অমসুং কে এন ওনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি। কুকিগী তোখায়বা এদমিনিষ্ট্রেটিভ টেরিটোরি দিমান্দ তৌবদা খুদোংচানবা শেমজিন-শাজিনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপনি। মণিপুর ষ্টেট দরবার রুলস (১৯০৭) অমসুং নিংতম্বা ফংলবা মতুংগী জুদিসিয়েল রুল্লিংশিংদা চীংগী শরুকশিং য়াওনা মণিপুরগী মফম পুম্নমক ষ্টেট অমসুং মসিবু লৈঙাক্লিবা নিংথৌগীনি হায়না ময়েক শেংনা পল্লি। কুমজা ১৮২৪ দগী ১৮২৬ ফাওবা শোক্লখিবা অহানবা এঙ্গলো বর্ম্মিজ ৱার মতুং তারকপদা কুকিশিং কুমজা ১৮৪০ অদুৱাইদগী মণিপুরদা চঙলকখিবনি। লোয়ননা কুকিশিং মণিপুরগী ইন্দিজিনস পিপলস নত্তে হায়বা ৱাফমসু য়াওরি।

# মকাহদা টেঙ্করগা বসকা থেঙ্গায়নবদা ইন্দিয়াদগী লাই খুরুম্বা চৎখিবা ৪২ শিরে

**ন্যু দিল্লি, নবেম্বর১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মকাহদগী মাদিনা তম্না থৌবা বস অমা ঙসি অয়ুক অঙনবদা দিজল টেঙ্কর অমগা থেঙ্গায়নবদা বস অদুদা তোঙবা ইন্দিয়া মচা ৪২ শিরে। অহানবা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা হাইদ্রবাদতগী মকাহদা লাই খুরুম্বা চৎখিবনি হায়রি। মীওইশিং অদুনা মকাদা লাইনিং লাইশোনগী থৌরম লোইরগা মাদিনা মায়কৈ পাংনা চৎপদা লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা টেলঙ্গানাগী চিফ মিনিষ্টর অনুমুল্লাহ রেভন রেদ্দিনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী অকুপ্পা পাউ লৌনবা ষ্টেটকী চিফ সেক্রেটরি অমদি দিজিপিদা খঙহনখ্রে। অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা খুদক্কী ওইনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎনবসু মহাক্না ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি। মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্স অমসুং সাউদি এম্বেসিশিংগা খুৎশম্নদুনা মকাহদা লাই খুরুম্বা চৎখিবা মীওইশিংগী মতেং পাংনবগী ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর জয়সঙ্করনসু অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱারোল অমা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাদোরকখি।

# এময়ু একজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীফম ফিদম্নফম ওইহনবীয়ু ঃ কে এস এ

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী একজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীফম তুংগী মীরোলনা ফিদম্নিংঙাই ওইবা মওংদা পাঙথোকপীয়ু হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)না ফোঙদোরক্লি।এসোসিয়েসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাঙ্গোনজম রাজেশনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হন্দক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টেট্যুটরি পোষ্ট খরা লৌবগী সেলেক্সন কম্মিটি শেম্বদা এময়ু এক্টকী ষ্টেট্যুট ১৯ (২)গী প্রোভিজন থুগায়দুনা শেমখিবা অমসুং মীওই ৬না শাবা সেলেক্সন কম্মিটিদা ভাইস চান্সেল্লরনা পোষ্ট ২ পায়শিন্দুনা ভোটিং রাইট ২ ফংখি। হন্দক মরক য়ুনিভর্সিটি অসিদা কাঙলোন কায়বা থৌওং কয়া চথরম্লে হায়না মীয়ামদা লাউথোরকখিবা অদুগী মখা তানা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথরুবদা সেলেক্সন কম্মিটিগী সবজেক্ট এক্সপার্ট খনবদা অমুক্কা হেন্না মওং তাদবা থৌওং চথবা থেংনরে। সবজেক্ট এক্সপার্ট খনবগী মতাংদা ফমখিবা একজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীফম অমদা ই সি নোমিনেট তৌগদবা সবজেক্ট এক্সপার্টকী লিষ্ট অমা ভিসিনা ইনভেলব অমদা পুরকখি। ই সি না নোমিনেট তৌগদবা সবজেক্ট এক্সপার্টকী লিষ্টপু মতৌনা করম্না ভিসিনা পুরক্লিবনো হংলক্লি।

# ইনাৎ অমদি ইফুরুপ কনবগী ঈহৌদা মীয়াম হুপ্না য়াওশিনবীয়ু ঃ ইয়োল

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ** ইনাৎ অমদি ফুরুপ কন্নবগী ঈহৌ অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াওশিনবীয়ু হায়না ইনাৎ য়োকখৎপা লুপতিন (ইয়োল) মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পোকপদগী শিবা ফালবা পাঙথোক্লিবা নাৎকী থৌরমশিং, নাৎকী কুম্মৈশিং, ঈশৈ নোংমাই, ফিজেৎ চাকচা, চৎন-লোনচৎ অমদি ভেল্যু সিষ্টেমনচিংবদা খোঙজেল য়াংনা হেল্লক্লি। মপানগী অচৌবা নাৎশিংনা পীরকপা ইথিলনা মরম ওইদুনা মীতৌ তম্ববু চাওখৎচবনি খঞ্জবা, মশাগী মনাৎপু চাওখৎতবনি খঞ্জবা মীওই কয়ানা পোকপদগী শিবা ফাওবা পাঙথোক্লিবা ইনাৎকী থৌরমশিংদা মীতোপকী মতৌ কা হেন্না তমদুনা মানা মানা তৌনিংবা মওংদা তৌরকপগী চৎনবী অমা উবা ফংলে। লুহোং-খোঙদোংবদা কুন্দো পরেং হুক্লবা হায়বসি লাইনিং লাইশোনগী ওইবা শোয়ফদ্রবা শরুক অমনি। কুন্দো পরেং হুক্লবদা শোয়খিবা য়াওনরদ্রবদি লুহোংলিবা নুপা-নুপী অনিগী তুংগী পুন্সিদা ফত্তবা ওইগল্লি হায়বগী অচেৎপা থাজনবী অমা লৈ। মরম অদুনা কুন্দোং পরেং হুক্লবা মতমদা য়াম্না চেকশিন্নরিবনি হায়রি।

# চুড়াচান্দপুরগী মীওইশিং ইম্ফালদগী ফ্লাইট তোংবা হৌরেঃ য়ুম্নাম খেমচান্দ

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ** সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুরগী মীওইশিং ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ফ্লাইট তোংলগা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎপা হৌরে হায়না এম এল এ য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

শিংজমৈ য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এম এল এ য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়খি, কাঙলুপ অনিমক্কী মীওইশিং চঙথোক-চঙশিন তৌরে হায়বগী পাউ ফংলে। অদুম ওইনমক মপুং ফানা থাজনবা থম্নদ্রিবা মরমনা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেন য়াওদ্রবদি কাঙলুপ অমনা অতোপ্পা কাঙলুপ অমগী মফমদা চঙবদা নিংজিং মাঙজিংনবদি ফাওরি।

মণিপুরদা কাঙলুপকী খৎন-চৈনবা থৌদোক কয়া মমাঙদসু থোকখ্রে হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়, মীচম মীয়াম অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী খুখাংদা কাঙলুপকী উংখৎনবা পুম্নমক ৱারোইশিন পুরকখিবা ঙাক্তনি। হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিসু মীয়াম পুন্না ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। লোয়ননা হন্দক্তা পেরুদা মিষ্টর প্লানেট ৱার্ল্ড ২০২৫গী তাইতল লৌরকখ্রবা শিংজমৈ চিংঙামখাদগী হেন্সন ইরোমবু এম এল এনা তরাম্না ওকখি।

# দিল্লিদা বোম পোকখায়হনখিবদু সুইসাইদ এটেকনি ঃ এন আই এ




**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭ (ৱায়েল কাতি) ঃ** দিল্লিগী রেদ ফোর্ট মনাক্তা কার বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই ১৩ শিহনখিবগী থৌদোক অদু সুইসাইদ এটেকনি। কার অদুবু থৌখিবা ডাঃ উমর উল নাবি সুইসাইদ বোম্মরনি হায়না নেস্নেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না কনফার্ম তৌখ্রে।

এটেক চথনবা লৌতুনবদা য়াওই হায়বগীদমক এজেন্সি অসিনা কাশ্মিরি অমা ফারগা ৱাহং-পাউহং চথবদগী ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি। লৈবাক্কী কোনুং ওইরিবা দিল্লিদা কার বোম শীজিন্নদুনা সুইসাইদ এটেক চথবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। কুমজা ২০১৯ দা টেরোরিষ্টশিংনা পুলৱামাদা চথখিবা এটেক অদুগী মতুং তারকপদনা ২রকশুবনি সুইসাইদ এটেকনি। পুলৱামাদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা পোকখায়হন্নবা মচাক থন্না য়াওবা কার থৌরগা বস অমদা থেংজিন্দুনা পোকখায়হনবদা সি আর পি এফকী পার্সোনেল ৪০ শিখিবনি।

হন্দক্তা দিল্লিদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স (এম ঐচ এ)গী সোর্চ অমনা হায়, পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থী-হুম্বগী থবক চথদুনা মীওই ২ ফাখিবদগী পাখৎলবা টেরোরিষ্টশিংনা তহা-তহানা দিল্লিগী রেদ ফোর্ট মনাক্তা বোম পোকখায়হনখিবনি। এটেক চথবদা শীজিন্নখিবা কার অদু অমির রসিদ অলি কৌবা মীওই অমগী মমিংদা লৈমরখি। হায়রিবা মীওই অদু দিল্লিদগী ফারবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা মফমদা থি-হুম্বগী থবক চথখি। এন আই এনা ইনভেষ্টিগেসন চথবদা, অমিরনা দিল্লিদা থুংলরবা মতুংদা আই-২০ কার অদু লৈরগা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইজ (আই ই দি) হাপচিন্দুনা এটেক চথনবা থৌরাং লৌখৎখি অমসুং ডাক্তর নাবিবু সুইসাইদ বোম্মর ওইনা শীজিন্ননবা ৱারেপ লৌখি।

ডাঃ নাবি জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতগীনি। হরিয়ানাগী ফরিদাবাদতা অল-ফলাহ য়ুনিভর্সিটিদা জেনরেল মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইনা থবক তৌবনি।

এ আই এগী রিপোর্ট অমনা হায়, ডা.নাবিনা শীজিন্নরম্বা অতোপ্পা গাড়ি অমসু ফাগৎপা ঙম্লে। দিল্লিগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ৱিথনেশ ৭৩ ৱাহং-পাউহংবগী থবক চথরি। দিল্লি পুলিস, জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিস, হরিয়ানা পুলিস, উট্টর প্রদেশ পুলিস অমসুং তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগা খুৎশম্নরগা এন আই এনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তানা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরি।

চৈরকসিদা,জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসকী স্পেসিয়েল সেল ওইরিবা কাউন্টর ইন্টলিজেন্স কাশ্মির (সি আই কে)না লোকেল ডাক্তর অমা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৱাহং-পাউহং চথরি। হায়রিবা ডাক্তর অদুনা হরিয়াদগী নুপী ডাক্তর অমা অশানবা য়ুম অমদা লৈহল্লম্বগী ৱাফম খঙবা ঙম্লে।

# মহৈরোয়শিং মথং সেসনদগী ইয়োং ফিনা য়ুনিফোর্ম ওইগদবনি ঃ মহৈরোই লুপ ৬



**ইম্ফাল নবেম্বর ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ** লাক্লিবা একাদমিক সেসনদগী গভর্নমেন্ট অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈ তম্লিবা ক্লাস আইটকী মথক্তা লৈবা মহৈরোইশিং ইয়োং ফিনা স্কুল য়ুনিফোর্ম ওইগদবনি হায়না মহৈরোই লূপ ৬না মরী লৈনবা খুদিংমক্তা খঙহনখ্রে।

মহৈরোই লূপ ৬কী ৱাঙাংলোইসু ওইরিবা দেসামগী প্রসিদেন্ট ময়েংবম সোমোর্জিৎনা পাউমীশিংদা হায়খি, ইয়োংদা শাবা পুথোকপা ফিরোলশিং শীজিন্নবা হায়বসি হান্নদগী হৌনা মহৈরোই লূপশিংগী খোল্লাও ওইরগা লাকখি। অদুবু মসিমক চাম্মদা চাম্মা থবক্তদি ওন্থোকপীদে। মদুনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২৬ কী একাদমিক সেসনদগী মহৈরোইশিংগী য়ুনিফোর্ম অসি ইয়োংগী ফিনা ওইবীয়ু। খুদম অমা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ক্লাস আইটতগী কলেজকী থাক্তা থল্লিবা মহৈরোই খুদিংমক্না হান্নদি শেৎনিং-শেৎনিংবা ফিরোল শেৎলম্মী। ক্লাস তেন ফাওবা স্কর্ট শেৎপগী চৎনবী লৈরম্মী। অদুবু মহৈরোয়শিংগী অকনবা প্রেসরনা মরম ওইরগা ফনেক শেৎপা হৌরকখি। অদুবু ঐখোয়গী মহৈরোইশিংনা ফনেকনি হায়দুনা মপান লমদগী ফনেক মানবা ফিশিং পুশিল্লক্লগা শেৎনরকখি। মসি তৌরোইদবনি। ঐখোয়গী ইয়োংগী পোখোকশিং হেঙ্গৎহনবা অমসুং মসিবু শীজিন্নবা হায়বসিনা ষ্টেট অসিগী ইকোনোমিদা অহোংবা পুরক্কদৌরিবনি। মসিগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগা খন্ন-নৈনবগী মীফমসু পাঙথোক্লগনি। অতোপ্পা ষ্টেটতগী ফনেক মানবা ফিরোলশিং পুশিল্লক্তনবা মহাক্না আপিল তৌখি।

